# ৱিমেন্স টি-২০ ট্রোফি : ফাইনেলদা থাও থাংমৈবন্দ অমসুং এ কে এস দি ও খাঙবোক লম্বা তৌনরগনি

**ইম্ফাল, জুন ২৮ (ঐচ এন এস):**

মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএশননা শীন্দুনা ৩লক শুবা এম এন সী এ ৱিমেন্স টি-২০ ট্রোফি ২০২৪-২৫গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা সেমি ফাইনেল মেটচশিংদা থাও থাংমৈবন্দ অমদুং এ কে এস দি ও খাঙবোক মায় পাকখিবগা লোয়নন্না হয়েং টিম অনীগী মরক্তা ফাইনেল মেটচ শান্নরগনি।

ঙসি অয়ুক অঙনবদগী হৌরগা থাও গ্রাউন্দ থাংমৈবন্দদা পি টি আর সী অমসুং থাও থাংমৈবন্দগী মরক্তা শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচ অদুগী টোস পি টি আর সীনা ঙমদুনা হান্না ফিল্ডিং তৌনবা খনখিবদগী অহানবা ইনিংসতা থাওনা বেটিং তৌদুনা শান্নখি। থাওনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইনিংস অদুগী ওইনা কলপনা কৈশাম অমসুং রোনিবলা থোকচোমনা ওপন্নর বেটসমেনশিং ওইখি। ওপন্নর বেটসমেন ওইখিবী রোনিবলা বোল ৪ মায়োক্লবদা রন ১ খক্তমক লৌরমদুনা আউট ওইখ্রবসু অতোপ্পা ওপনর বেটসমেন কলপনানা হৈনা-শিংনা শান্নদুনা বোল ৫৩ মায়োক্লবদা রন ৪৪ লৌদুনা টিমগী রন মশিং য়ামহন্নবা হোৎনবদা চাওনা মতেং পাংলমখি।





ইনিংস অসিগী ওইনা বেটসমেন লৈথোই চঙমময়ুমনা বোল ৩৬ মায়োক্লবদা রন ৩২ অদুগা কোঞ্জেংবম নোনিবলানা বোল ১৫ মায়োক্লবদা রন ২২ লৌদুনা টিমগী রন মশিং য়ামহনবদা অমুক্তা হেন্না মতেং পাংলমখি। ইনিংস অসিগী ওইনা অপীবা ওভর ২০ লোয়বদা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১২৬ লৌবা ঙমখি।

পি টি আর সীনা টার্গেট রন লৌবা ঙম্নবা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইনিংস অদুগী ওইনা অপীবা ওভর ২০ লোয়বদা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ৮৮ খক্তমক লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু থাওনা রন ৩৮দা মায় পাক্তুনা ফাইনেল চঙখিবনি।

অমরোমদা, এস ঈ দি ও সী গ্রাউন্দ ধোবি লম্পাক কোংবদা শান্নখিবা এ কে এস দি ও অমসুং ফোর্সকী মরক্তা শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচ অদুগী টোস এ কে এস দি ওনা ঙমদুনা হান্না বেটিং তৌদুনা শান্নখি। এ কে এস দি ওনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইনিংস অদুগী ওইনা অপীবা ওভর ২০ লোয়বদা ৱিকেট ২ তুরগা রন ১৪৭ লৌবা ঙমখি। অদুগা ফোর্সনা টার্গেট রন লৌবা ঙম্নবা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইনিংস অদুগী ওইনা অপীবা ওভর ২০ লোয়বদা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ১০১দগী হেন্না লৌবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু এ কে এস দি ওনা রন ৪৬তা মায় পাক্তুনা ফাইনেল চঙখিবনি।

# হোক্কি ইন্দিয়া মাষ্টর্স কপ : নুপীগীদা হোক্কি এসোসিএসন ওফ ওড়িষা অদুগা নুপাগীদা হোক্কি য়ুনিট ওফ টামিল নাদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে

**চেন্নাই, জুন ২৮ (এজেন্সী):**

হোক্কি ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা টামিলনাদুনা য়ুম্বু ওইদুনা চখৎরকখিবা নুপা অমসুং নুপীগী ওইবা অহানবা হোক্কি ইন্দিয়া মাষ্টর্স কপ ২০২৫ ঙসি লোয়শিনখিবগা লোয়নন্না নুপীগী কেটাগরিদা হোক্কি এসোসিএসন ওফ ওড়িষা অদুগা নুপাগী কেটাগরিদনা হোক্কি য়ুনিট ওফ টামিলনাদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।

নুপীগী ফাইনেল মেটচতা হোক্কি এসোসিএসন ওফ ওড়িষা অমসুং হোক্কি পঞ্জাবকা লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা হৈশিংবা মান্ননা শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা অহানবা ক্বার্টর লোয়বা ফাওবদা টিম অনীমক্না পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি। অনীশুবা ক্বার্টর শান্নখিবা অদুগী ওইনসু টিম অনীমক্ন। পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা অহানবা হাফ লোয়বা ফাওবদা পাঞ্জল মান্ননা লৈবা ঙমখি।




অহুমশুবা ক্বার্টর শান্নখিবা অদুগী হৌগৎলকপা ৩৪ শুবা মিনটতা হোক্কি এসোসিএসন ওফ ওড়িষাগী রঞ্জিতা বেকনা মেটচ অদুগী অমদি মখোয়গী টিমগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবগা লোয়নন্না অহুমশুবা ক্বার্টর লোয়বা ফাওবদা হোক্কি এসোসিএসন ওফ ওড়িষানা পাঞ্জল ১-০দা মাংজিল থারগা লৈখি। মরিশুবা অমদি অরোয়বা ক্বার্টর শান্নখিবা অদুদা হোক্কি পঞ্জাবগী মায়কৈদগী ইক্কেলাইজর ওইগদবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙম্নবা য়াম্না কন্না হোৎনখি। অদুবু মেটকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু হোক্কি এসোসিএসন ওফ ওড়িষানা পাঞ্জল ১-০দা মায় পাক্তুনা নুপীগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি।

নুপাগী কেটাগরিদা হোক্কি য়ুনিট ওফ টামিলনাদু অমসুং হোক্কি মহারাষ্ট্রগী মরক্তা লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী হোক্কি য়ুনিট ওফ টামিলনাদুনা খরা হেন্না লাকচনা শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা হোক্কি য়ুনিট ওফ টামিলনাদুনা পাঞ্জল ৫-০দা হোক্কি মহারাষ্ট্রবু মায়থীবা পীরন্নগা নুপাগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি।

হোক্কি য়ুনিট ওফ টামিলনাদুগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু মুথুসেলভান দি, সুদরশন এস, গোভথোমন, থমারাইকানন অমসুং রামাদোসনা অমমম চনখিবনি।

অমরোমদা, চখৎরকখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা নুপীগী কেটাগরিদা হোক্কি হরয়ানানা হোক্কি য়ুনিট ওফ টামিলনাদু অদুগা নুপাগী কেটাগরিদনা হোক্কি চান্দিগরনা হোক্কি এসোসিএসন ওফ ওড়িষা মায়থীবা পীরন্নগা অহুমশুবা মফম কনবা ঙমখ্রে।

# এ এফ সী ক্বালিফয়র্সঃ টিমোর লেষ্টে মায়থীবা পীনবা ইন্দিয়া টিমনা পান্দম থল্লি



**চিয়াংমাই, জুন ২৮ (এজেন্সী):**

থাইলেন্দনা য়ুম্বু ওইদুনা হৌজিক চখৎরিবা এ এফ সী ৱিমেন্স এসিয়ান ক্লব ক্বালিফয়র্সগী ওইনা হয়েং চিয়াংমাই ষ্টেদিয়মদা নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদগী হৌরগা ইন্দিয়া অমসুং টিমোর লেষ্টকী মরক্তা শান্নগদৌরিবা মেটচ অদুদা ইন্দিয়ানা টিমোর লেষ্টপু মায়থীবা পীনবা অহেনবা মীৎয়েং থল্লি।

এসিয়ান ক্লব ক্বালিফয়র অসিগী ওইনা ইন্দিয়াগী সিনিয়র ৱিমেন্স ফুটবোল টিমনা অহানবা হৌদোকপা নুমিৎতা মঙ্গোলিয়াবু য়াম্না লাকচনা পাঞ্জল ১৩-০দা মায়থীবা পীরন্নগা পোইন্ট ৩ ফংদুনা লৈরি।

টিম মঙা য়াওবা গ্রুপ বিগী ওইনা ইরাকনা মঙ্গোলিয়াবু পাঞ্জল ৫-২দা মায়থীবা পীদুনা অদুগা টিমোর লেষ্টনা দ্রো চৎতুনা পুন্না পোইন্ট ৪ ফংলগা খ্বাইদগী মকোক থোংনা পোইন্ট টেবলদা লৈরি। অদুগা ইন্দিয়ানা অনীশুবা মফমদা লৈরি। অহুমশুবা মফমদনা য়ুম্বু থাইলেন্দনা পোইন্ট ৩ ফংলগা লৈরি। এসিয়ান ক্লব ক্বালিফয়র্স অসিগী ওইনা য়ুম্বু থাইলেন্দনা টিমোর লেষ্টপু পাঞ্জল ৪-০দা মায়থীবা পীরমখিবনি।

অমরোমদা, হয়েং শান্নগদৌরিবা মেটচ অসিদা ইন্দিয়ানা চাওনা মায় পাকপা ঙমগনি হায়না লৈবাক অসিগী মমিং লৈরবা ফুটবোল শান্নরোয় সুনিল ছেত্রিনা ফোঙদোকখিবগা লোয়নন্না মীয়াম্না হয়েং শান্নগদৌরিবা মেটচ অসিবু খৌরাংনা ঙাইনরি হায়খি।

# এফ আই ঐচ হোক্কি মেন্স জুনিয়র ৱর্ল্ড কপ্তা ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্তান গ্রুপ অমত্তদা লৈমীন্নরি

**ন্যু দেল্লি, জুন ২৮ (এজেন্সী):**

টমিলনাদুনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা এফ আই ঐচ হোক্কি মেন্স জুনিয়র ৱর্ল্ড কপ ২০২৫গী দ্রো ওৎখিবগা লোয়নন্না পূল বিদা ইন্দিয়াগী অর্ক রাইভেল ওইরিবা পাকিস্তানগঠপুন্না লৈমীন্নরি।

দ্রো অসি স্বিটজর্লেন্দগী লুসেনদা লৈবা ইন্টরনেশনল হোক্কি ফেদরেসন (এফ আই ঐচ)গী হেদ ক্বার্টরদা ওৎখিবনি। পূল বিদা ইন্দিয়ানা পাকিস্টান, চিলি অমসুং স্বিটজর্লেন্দগা লম্বা তৌনগদৌরি। টিম ১৮না পূল ৬ খায়দোক্তুনা চখৎগদৌরিবা জুনিয়র ৱার্ল্ড কপ অসিগী ওইনা পূল এদা জর্মনি, সাউথ অফ্রিকা, কানাদা অমসুং আইরলেন্দ লৈমীন্নরি। পূল সীদনা অর্জেন্টিনা, ন্যুজিলেন্দ, জপান, চাইনা; পূল দিদনা স্পেন, বেলজিয়ম, ইজিপ্ট; পূল ঈদা নেদর্লেন্দ, মালেসিয়া, ইংলেন্দ, ওষ্ট্রিয়া অদুগা পূল এফতনা ফান্স, ওষ্ট্রেলিয়া, সাউথ কোরিয়া অমসুং বংলাদেশ পুন্না লৈমীন্নরি।





# ৱাই দল্লিয়ু সীনা এম য়ু এফ এ মায়থীবা পীখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ২৮ (ঐচ এন এস):**

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেশন (এ আই এফ এফ) কী মীৎয়েং মখাদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন (অম্ফা)না শীন্দুনা চখৎরিবা ১৫রক শুবা অম্ফা সিনিয়র ৱিমেন্স ফুটবোল লীগ ২০২৪-২৫গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা য়ুথ ৱেলফ্যের ক্লব (ৱাই দল্লিয়ু সী)না মণিপুর য়ুনাইটেদ এফ এ (এম য়ু এফ এ) মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুং ১০ তাবদগী হৌরগা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দ লল্লোং থোংখোঙদা ৱাই দল্লিয়ু সী অমসুং এম য়ু এফ এগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা চাংচৎতা হৈশিংবা মান্ননা শান্নবা ঙমখি। অদুমওইনমক মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা ৱাই দল্লিয়ু সীনা এম য়ু এফ এবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীরমখিবনি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



### PUZZLE NO. 1518

**IM S. Aswath (2515) - GM Jorge Viterbo Ferreira (2537)**
**8th Sharjah Masters 2025 Sharjah UAE, 2025.05.24**

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1.d4 Nf6 | 2.c4 e6 | 3.g3 Bb4+ | 4.Bd2 Qe7 | 5.Bg2 Nc6 |
| 6.e3 e5 | 7.d5 Bxd2+ | 8.Nxd2 Nb8 | 9.Ne2 d6 | 10.Nc3 O-O |
| 11.O-O a5 | 12.a3 Bf5 | 13.e4 Bd7 | 14.b4 Na6 | 15.Rb1 axb4 |
| 16.axb4 Rfc8 | 17.Qe2 c5 | 18.dxc6 bxc6 | 19.Rb2 c5 | 20.b5 Nb4 |
| 21.Rc1 Bg4 | 22.Bf3 Be6 | 23.Nf1 Nd7 | 24.Ne3 Nb6 | 25.Bg4 Rd8 |
| 26.Bxe6 fxe6 | 27.Na2 Nxa2 | 28.Rxa2 Rxa2 | 29.Qxa2 Qb7 | 30.Qc2 Ra8 |
| 31.Qd1 Nc8 | 32.Qg4 Qf7 | 33.Qe2 Qb7 | 34.Qg4 Qf7 | 35.Rc2 Ra1+ |
| 36.Kg2 h5 | 37.Qg5 Qb7 | 38.f3 Ra3 | 39.Kf2 Qe7 | 40.Qxh5 Nb6 |
| 41.h4 Nd7 | 42.Qg6 Nf8 | 43.Qg4 Qa7 | 44.f4 exf4 | 45.gxf4 Qa8 |
| 46.Qf3 Nd7 | 47.e5 Qd8 | 48.Qg4 Qe7 | 49.Qg5 Qf8 | 50.Ke2 Qa8 |
| 51.Kf2 dxe5 | 52.fxe5 Qe4 | 53.Rd2 Nxe5 | 54.Rd8+ Kf7 | 55.Qh5+ Ke7 |
| 56.Qe8+ Kf6 | 57. ... | | | |

**QUESTION : White to win**

**Puzzle 1517 Solution :**

**17.Bxd5** *The white bishop captures Black's knight, which was defending the square b6.* **exd5 18.Nb6+** *Opening the line from a3 to a8.* **axb6 19.Ra3+ Ba4 20.Rxa4#** *Pillsbury's mate*
**1-0**



Title : Scenery
By : Akoijam Yoihenba Angomcha
Class : III Roll No. : 9 Sec. : A
School : Wangkhei High School




Title : Gojo Vs Sukuna
By : Derickson Maibam
Class : III Roll No. : 11 Sec. : C
School : JJ School Montessori, Ghari




Title : Scenery
By : Jayalaxmi
Class : III Roll No. : 25 Sec. : B
School : Standard Robarth Higher Secondary School



Title : Goku (Ultra Instict)
By : Oswin Mutum
Class : VII Roll No. : Sec. :
School : Unacco School Meitram



Title : Cherry Blosom
By : Mansi Thingbaijam
Class : II Roll No. : Sec. :
School : SL Arena of Learning



Title : Traffic Light
By : Ayska Nisha
Class : KG II Roll No. : 1 Sec. :
School : Grace Acedemy, Yairipok Kekru




Title : Castle
By : F.M Maq Bool
Class : III Roll No. : 26 Sec. : B
School : Standard Robarth Higher Secondary School



Title : Huggy Woggy
By : Korounganba Rajkumar
Class : III Roll No. : 23 Sec : D
School : Pitambara English School



Title : A Girl
By : Pansofi Biona Amom
Class : VI Roll No. : 61 Sec. : C
School : Nirmalabas High School



Title : Ice-Cream
By : Chanda Thingbaijam
Class : I Roll No. : 5 Sec. : Sunflower
School : SL Arena of Learning



Title : Kokashi
By : Bm. Rehan Akhter
Class : III Roll No. : 35 Sec. : A
School : Standard Robarth



Title : Basket Flower
By : H. Heniya
Class : III Roll No. : 3 Sec. : B
School : Standard Robarth Hr. Sec.



Title : KV-6 Tank
By : N. Priyoranjan Singh
Class : VI Roll No. : 1 Sec. : C
School : Pitambara English School



Title : Uricorn
By : RK Amy Changkhonbi
Class : KG 2 Roll No. : 19 Sec. : Pansy



Title : Flowers and crowns
By : Yaiphaba Laishram
Class : V Roll No. : 12 Sec. :
School : KVS Lamphel

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্লীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়নন্না অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্লগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com